

# সনালৈবাক স্পোর্টস



MONDAY, DECEMBER 30, 2013, PAGES 7

*লাক্কদৌরিবা সিজনদা সেরিনা ৱিল্লিয়মসকা থেংন্নবগী শেম শারিবা রুসিয়াগী শান্নরোই মারিয়া সরাপোভা*

*স্কিইংদা মমিং লৈরবা শান্নরোই মাইকেল সুচুমাচের মকোক শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে*

## কালিসনা সেঞ্চুরি লৌদুনা ইন্দিয়াদগী রন ৬১ হেনখ্রে

*দুরবান, দিসেম্বর ২৯ঃ*
মফম অসিদা চথরিবা ইন্দিয়া অমদি আউথ আফ্রিকাগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচকি ঙসি শান্নখিবদা আউথ আফ্রিকাগী জেক কালিসনা রন ১১৫ লৌদুনা মহাক্কী কেরিয়র শেন্বগা লোয়ননা ইন্দিয়াদগী রন ৬১ হেনখ্রে।

মশাগী চহী ৩৮ শুরবা ওল রাউন্দর অসিনা অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিদা রন ১১৫ লৌরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী স্পিন্নর রবিন্দ্র জাদেজাগী বোল অমদা আউট ওইখি। মহাক্না আউট ওইবা মতমদা সাউথ আফ্রিকাগী মায়কৈদা ৱিকেট ৫ তুবদা রন ১২৮ লৌখিবনি। লঞ্চকি মতম ফাওবদা আউথ আফ্রিনা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩৯৫ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা টেষ্ট অসিদা রন ৩৩৪ লৌখিবনি।

কালিসনা মহাক্কী কেরিয়রদা ৪৫ শুবা সেঙ্কচুরি লৌরবা মতুংদা মহাক্কী হেলমেট লৌথোক্লবা মতুংদা মখুৎ অনীমক প্রিভিলেনদা লৈরিবা দ্রেসিং রুমদা মায় ওনশিন্দুনা হরাওবা ফোঙদোকখি।

কালিসনা হৌজিক ফাওবদা টেষ্টকি কেরিয়রদা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌখিবা মীওই অনী হায়বদি ইন্দিয়াগী সচিন টেন্দুলকর অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী রিকি পোন্টিংগী মথংদা লৈবা ঙমখ্রে। মহাক্না মফম অসিদা লৈখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অমা ওইরম্বা রাহুল দ্রাবিদকি মথক্তা লৈদুনা টেষ্ট স্কোরগী লিষ্টতা পোজিসন অসি ফংবা ঙমখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা চথরিবা টেষ্ট সেরিজ অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবশিংগী মনুংদা মহাক্না অনীশুবদা লৈবা ঙমখ্রে। কালিসনা মহাক্কী টেষ্টকি কেরিয়র অসি ইং ১৯৯৫ গী মতুংদা মফম অসিদা শান্নবা অসিদা শেন্বা ঙমখিবনি। মহাক্না পার্থনর ওইখিবা এ বি দি ভিল্লর মখোয় অনীনা পুন্না রন ১২৭ লৌবা ঙমখি।



হৌজিক ফাওবদা কালিসনা টেষ্ট কেরিয়রদা লৌখিবা রন অসি ১৩২৮৯ নি। মেটচ অসিদা মহাকপু ইন্দিয়াগী স্পিন্নর জাদেজাগী বোল অমদা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ওক্তুনা আউট ওইখিবনি। জাদেজা অসি ইন্দিয়া অমদি আউথ আফ্রিকা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ওভর ৫৫ গী মনুংদা ৱিকেট ৫ লৌখিবা শান্নরোই অমনি।

আউথ আফ্রিকাগী শান্নরোই অসিনা খৃষ্ট মাষ্ট মমাঙদা লাউথোকখিবদা হৌজিক চথরিবা টেষ্ট মেটচ অসিনা মহাক্কী অরোইবা টেষ্ট মেটচ ওইগনি হায়না লাউথোকখি। অদুমওইনমক ক্রিকেটতগী মতম খরা পোত্থরগসু খক লাপথোকখিরোই। মরমদি ২০১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা মহাক্কী অরোইবা ওইনা শান্নবা মেটচ ওইনিংবগী ৱাফমসু কালিসনা ফোঙদোকখি।

টিম অসিনা ইন্দিয়াগী টিম্না থল্লম্বা রন অদু লৌনবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা কয়া মায়োক্নখি। ঙরাং শান্নগদবা অদুসু নোংনা মরম ওইদুনা কন্না শান্নবা ঙমখিদে। ঙসি মখা তানা শান্নবদা ইন্দিয়ানা লৌরম্বা রন অদুদগী ৬১ হেনবা ঙমখিবনি।

## ওক্লাহোমা সিটিনা কার্লোটি বোকেষ্টতগী টোপ ওইবা ঙমখ্রে

*নোর্থ কালোলিনা, দিসেম্বর ২৯ ঃ*
এন বি এগী কম্পিটিসনশিংদা মাঙজিল থানবা তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংনা মখোয়গী ষ্টেন্দর অদু হস্তদনবা কন্না হোৎনদুনা শান্নরি।

মমাঙগী হপ্তাদা শান্নখিবা মেটচতা ওক্লাহোমা সিটিগী কেবিন দুরাননা পোইন্ট ৩৪ ফংবগা লোয়ননা মহাক্না রিবোনস ১২ ফংদুনা কার্লোটিবু পোইন্ট ৮৯–৮৫ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মখা তাবা মেটচতা মখোয়না পোলেন্দগী মকোক ওইবা টিমগা শান্নগনি।

ওক্লাহোমা সিটিনা টিম অসিগী শান্নরোই লুসেল ৱেষ্টব্রতক য়াওদনা নীংথিনা শান্নদুনা মখোয়গী অকনবা ওপোনেন্ট টিম অমা ওইরিবা কার্লোটি বোকেষ্টপু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

টিম অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোই রুরেস ৱেষ্টব্রতককি খুউদা শোকপনা মরম ওইদুনা ওপরেসন তৌদুনা লৈরিঙৈদা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোইনা মমাঙদা লৈরম্বা শান্নরোইশিংগী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখিবনি। দুরাননা স্কোর তৌখিবশিংগী মনুংদা মহাক্না পোইন্ট ১৪ লৌবা ঙমখি। মহাক্না পোইন্ট ১৪ লৌবা ঙমখিবা অসি ৪ শুবা ক্বার্টরদনি।



টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই সর্গে ইবাকাসু পোইন্ট ১২ ফংবা ঙমখি। মেটচ অসি মায় পাকপদা লোয়ননা চেম্পিয়নসিপ অসিদা মখোয়না মেটচ ৭ থংনা থংননা মায় পাক্লকখি।

নাকল অমরোমদা টুর্নামেন্টঅসিগী অতোপ্পা মেটচশিংদা গোল্ডদন ষ্টেটকি ষ্টেফেন করিনা মহাক্কী কেরিয়রদা শেন্বা ঙম্বগা লোয়ননা বোনস ১৩ ফংবগা লোয়ননা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা ৱারিষ্টনা ফোনিক্সপু পোইন্ট ১১৫–৮৬ তা থোইবা ঙমখি।

ৱারিষ্টকি অতোপ্পা শান্নরোই কালিয়া থোমসন্না পোইন্ট ২১ লৌবা ঙমখ্রে। সন্সকি পি জে টুকেরনা পোইন্ট ১১ ফংবগা লোয়ননা রি বোনস ১২ অমসু ফংদুনা লৈরি।

অমরোমদা এন বি এ কম্পিটিসন অসিগী অতোপ্পা মেটচশিংদা শান্নরোইশিংনা তোঙান তোঙনবা পোইন্ট কয়া লৌবা ঙমখ্রে। লিব্রোন জেমসনা পোইন্ট ৩৩ ফংবগা লোয়ননা রিবোনস ৮ ফংদুনা মহাক্কী টিম অসিবু মায় পাকপদা অচৌবা মতেং পাংখি। টিম অসিগী মরু ওইবা শান্নরোই কয়া হৌজিক শোক্কুনা লৈরি।


# ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

**ADMISSION OPEN FOR** | **MOCK TEST 2014**

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph)14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726


## নোভাক জিনকোভিকনা অবু দাবি টাইটল লৌখ্রে

*অবু দাবি, দিসেম্বর ২৯ ঃ*
ৱার্ল্ড টেনিস চেম্পিয়নসিপতা টুর্নামেন্ট কয়াদা মায় পাক্লকখিবা নোভাক জিনকোভিকনা দেবিদ ফেররবু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা অবু দাবি এ টি পি টুরগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। মসিনা মহাক্না অহুমলকশুবা ওইনা ৱার্ল্ড টেনিস চেম্পিয়নসিপ অহুম থংননা লৌবা ওইরি।



ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা মহাক্না দেবিদপু ৭–৫, ৬–২ দা মায়থীবা পীখিবনি। রাফেল নাদালগী মখুত্তা মহাক্না য়ু এস ওপনগী ফাইনেলদা মায়থীহৌবা অদুগী মখা তারকপদা মহাক্না চেম্পিয়নসিপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা ফেররনা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু জিনকোভিটনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখি। অহানবা মেটচতা ফেররনা মহাকপু ৪–২ দা মাঙজিল থানা লৈরম্বদগী সেট অদু জিনকোভিকনা ৭–৫ দা থোইখি অদুগা অনীশুবা সেট অদুনা ৬–২ দা থোইবা ঙমখিবনি। মসিদা চাউরাক্না মিনিট ৮২ চঙখি।

মায় পাক্লবা শান্নরোই অসিনা য়ু এস দোলর ২৫০০০০ গী শেলফম ওইবা এৱার্দ অসি মহাক্না লৌখিবনি। মসিসু অহুমশুবা মেটচ পোইন্ট অদুদা মায় পাক্কুনা লৌখিবনি।

## লৈরিবা ফীভম অসিদা লৈনবা হোৎনগনিঃ সেরিনা



*ব্রিজবেনি, দিসেম্বর ২৯ ঃ*
সেরিনা ৱিল্লিয়মনা মহাক্না লৈরিবা কেরিয়র অসিদা অদুমক লৈগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। চহী অসিদা মহাক্না টুর্নামেন্ট মরিদা মায়থীবা নংখি। মহাক্না মায়থীবা নংখিবশিংগী মনুংদা গ্রান্দস্লাম ওইগদবা অচৌবা টেনিসকি গেমস অনী য়াওরি।

গ্রান্দস্লামগী ওইনা ১৬ শুবা ফংগদবা অদু মায়থীবগা লোয়ননা ১৭ শুবা অদুসু মায়থীবা নংখি। মখোয়শিং অদুদি রোলেন্দ গারুসতা পাঙথোকপা ৱিমল্লিদন অমদি য়ু এস এদা পাঙথোকপা য়ু এস ওপননি। মহাক্না ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবগী টাইটল অসি অদুমক মখা তাবা চহীশিংদা থমখিগনি হায়নসু সেরিনা ৱিল্লিয়মনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা ওফ সিজনগী মতমদা মহাক্না টুর্নামেন্ট খরা শরুক য়ারোই অদুবু অয়াম্বদি শরুক য়ানবা হোৎনগনি হায়খি। মহাক মতম খরা শান্নবা অসিদগী পোত্থাদুনা লৈরুরে। অদুমওইনমক অমুক হন্না মহাক্কী কেরিয়র অসি মেন্টেল তৌদনা থমগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

হন্দক্কি চহী অসিদা মহাক্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট য়াওরগা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট মচা মচা কয়াদা মায় পাকপা ঙমখি। হন্দক্কি লাক্লিবা চহী ২০১৪ অসিগী অহানবা ওইনা জনুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিনা চহী অসিগী অমদি সিজন অসিগী অহানবা মহাক্কী অচৌবা টেনিসকি ইভেন্ট অমনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। মসিদসু মহাক্না কন্না হোৎনদুনা টাইটল অসি ফংন্নবা শান্নগনি। মসিগীদমক মহাক্না ৪০ দিগ্রি সেলসিয়সকি চাংদা শাবা আর্দ কোর্দতা প্রাক্টিষ্ট তৌগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মহাক্কী পুন্সিদা ১৮ শুবা গ্রান্দস্লাম টাইটল অসি ফংন্নবা কন্না হোৎনগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা মেলবোন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসি মহাক্না হৌজিক চথগদৌরিবা ট্রাইএল অসিগা চপ মান্নবা দিগ্রি সেলসিয়সকি মফম অসিদা শান্নবা হোৎনগনি। মসিনা মঙোন্দা হেন্না অফবা পার্ফোমেন্স অমা পীগনি হায়বগী থাজবসু মহাক্না থমখি।

## গুজরাট, মুম্বাই, পঞ্জাব অমদি দিল্লীনা রঞ্জি ট্রোফি ফাইনেলগী আশা তৌরি

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ২৯ ঃ*
রঞ্জি ট্রোফিগী গ্রুপ–এ দা লৈরিবা টিমশিংনা ফাইনেলদা চঙন্নবগী আশা চাউনা থল্লি।

গুজরাটনা মেটচ ৭ শান্নবা লোইবদা পোইন্ট ২৬ ফংদুনা লৈরি। মখোয়গী অরোইবা লীগ মেটচ অদু মুম্বাইগা শান্নবদা টিম অসিনা পোইন্ট ২৬ অসি ফংবা ঙমখিবনি। টিম অসিনা অহানবা ইনিংসতা মুম্বাইদগী লিদ তৌবা ঙমখি। হৌজিক গুজরাটনা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইখিবা মুম্বাইবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা পঞ্জাব অমদি দিল্লীনা বোনস পোইন্ট ফংবগা লোয়ননা মায় পাক্কুনা লৈখ্রে। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা গুজরাটনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। মখোয়না মুম্বাইবু মায়থীবা পীরবা মতুংদা অহুমশুবা পোজিসন অসি ফংলকখিবনি।

পঞ্জাবনা ঝরখন্দদগী মাঙজিল থাবা ঙম্লনবা হোৎনবগুম্না দিল্লীনসু কর্নাতাকাদগী বোনস পোইন্ট ফংদুনা মাথীবা পীবা ঙমদ্রি। মুম্বাইনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ ৭ শান্নবা লোইবদা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা লৈরি। মখোয়গী অরোইবা মেটচ অসি গুজরাটকা শান্নগনি।

করিগুম্বা মখোয়না গুজরাটতা মায়থীরবদি পঞ্জাবসু মায়থীবা তাবনি। দিল্লীনা করিগুম্বা দ্রো ওইখ্রবদি গুজরাটনা লিদ ওইগদৌরি। পঞ্জাবসু মখোয়গা চপ মান্ননা ঝরখন্দ থেংনগদবনি। অদুমওইনমক দিল্লীনা কর্নাতাকা মায়থীবা পীবগী আশাদি উদ্রি।

অদুমওইনমক দিল্লীনা মায় পাক্কুনা বোনস পোইন্ট ফংবা অদু তঙাইফদে। অমরোমদা পঞ্জাবসু গ্রুপ–এ গী ৱিন্নর ওইগে হায়রবদি মখোয়না বোনস পোইন্ট ফংবা দরকার লৈ। পঞ্জাবনা হৌজিক ফাওবদা মেটচ ৭ শান্নখিবদা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা লৈরি। মখোয়গী অরোইবা লীগ মেটচ ঝরখন্দগা শান্নগনি।



## সরাপোভানা পুকচেল শেংবা কোচ অমা থিরি



*মোস্কো, দিসেম্বর ২৯ ঃ*
ৱার্ল্ড টেনিসতা মতম অমদা নম্বর ১ ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্না মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরবা মরিয়া সরাপোভানা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিগী মাঙওইননা মহাক্কী ওইগদবা পুকচেল শেংবা কোচ অমা থিরি।

মহাক্না থিরিবা কোচ অসিনা মঙোন্দা ফোরহেন্দ, বেকহেন্দ, ষ্ট্রেদ অমদি রিএকতা হেন্না নিংথিনা তাকপীবদা মপুং ওইগদবা কোচ অমা থিরকখিবনি। মসি মহাক্কী হান্নবা কোচ ওইরম্বা থোমাস হোগষ্টেদনা চহী অনীমখাই তাকপীরল্লবা মতুংদা টেনিসকি লম অসিদা হেন্না ফগৎনবা জিমি কোনরসু মহাক্কী কোর্চ ওইনা থা অমা রোম লৈরমখি হায়রি।

হৌজিক মহাক্না মাঙদা লাক্লিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিগী ওইনা অনৌবা কোচ ওইনা ভেন গ্রোনেভেলদবু কোচ ওইনা থম্নবা মীৎয়েং থল্লক্লি। গ্রোনভেলদবু মহাক্কী কোচ ওইনা থম্নবা থৌরাং তৌরকখিবসি চহী অসিগী নবেম্বর থাদগীনি।

মহাক্না ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মহাক্কী অনৌবা কোচ ওইগদৌরিবা মীওই অসিগা অহানবা ওইনা উন্নবা মতম অদুদা কোচ অসিগী অপাম্বশিং অদু করিনো হায়বা খঙদোকখি।

মহাক্কী অনৌবা কোচ থিবগী থবক অসিদা মহাক্কী বোইফ্রেন্দ ওইরিবা গ্রিগোর দিমিনিট্রোভাসু শরুক য়াখি। দিমিনিট্রোভানা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না ইন্দি মুরেনা লাষ্ট ইয়রদা টুর্নামেন্ট কয়াদা রন্নরস অপ তাবা অসিদা কোচ অসিগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

অনৌবা কোচ অসিনা মহাক্না চিক্না কাদা ফম্মিন্নদুনা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংগী মরমদা করি করি তৌগদবগে হায়বদু খন্নবা পাম্মী। মহাক্না অনৌবা সিজন অসিগীদমক ওফ সিজনদা কন্না হোৎননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা টেনিসকি কোট মনুংদা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা কন্না হোৎনগনি হায়বগী ৱাফম থমখি।

হন্দক্কি চয়োল অসিদা মহাক্না হেন্না কন্না হোৎনগনি হায়বগী ৱাফমসু ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখি। লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ অসিগী নুংথিলদগী মহাক্কী অহানবা মেটচ ওইনা ফ্রেন্স ক্লোরিন গ্রেসিগী অহানবা রাউন্দদা শরুক য়াবা হৌরগনি। মসিগী মখাতাবদা ৱেষ্টর্ন অমসুং সাউথদর্ন ওপনসু শরুক য়ারগনি হায়না শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি।